**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-10-2025)**

**সিবিআই (এল)ঃ** শেঞ্জা থুমজাগী মায়োক্তা চথুরকপা দ্রাইব অমদা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি.বি.আই) না নেসনেল হায়ৱেজ এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিবলপমেন্ট কোরপোরেসন লিমিটেদ (এন.ঐচ.আই.দি.সি.এল) গী ইগজ্কিটিব দাইরেক্তর অমদি রিজনেল ওফিসার ফারে।

ফারবা মীওই অদুদি, এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী গুৱাহাতিদা লৈবা রিজনেল ওফিসকী ইগজ্কিটিব দাইরেক্তর (টেকিকেল)-মৈস্নাম রিতেন কুমারনি। লন্নাই কম্পানি অমদগী মহাকা লুপা লাখ ১০ লৌরুই হায়বগা মরী লৈননা সি.বি.আইনা ফাখিবনি হায়রি। থবক শুবা লোইরে হায়বা খঙনবা পীবা শক্তাক চে অমা পীনবা অমদি নেসনেল হায়ৱে ৩৭ গী শরুক খরা থবক শুবগী মতম শাংদোকপগী অয়াবা পীবগা মরী লৈননা শেনফম অদু রিতেন কুমারনা লৌবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা কোলকাতাদা লৈবা এম.এস. মোহন লাল জৈনগী কৌবা ফার্ম অমগী বিনোদ কুমার জৈন কৌবা মীওই অমসু সি.বি.আইনা ফারে হায়রি। থৌদোক অদ্গা মরী লৈননা সি.বি.আইনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা শেল ওইনা লুপা কোতি অনি লাখ অনিগী শেনফম অমদি রিতেন কুমারগী মিংদা লৈবা দিপার্টমেন্ট ২০ অমদি তোঙান তোঙানবা লন-থুমশিংগী চে-চাং ফংবা ঙমখি হায়রি। ফারবা মীওই অনিমক গুৱাহাতিদা লৈবা স্পিসিএল সি.বি.আই. কোর্টতা পুথোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুরি।

**নোনে (এল)ঃ** লমলক্কী শা-উচেক য়োকখৎতুনা থম্বগী মতাংদা ৱাইল্ড লাইফ

ত্রষ্ট ওফ ইন্দিয়া-নোনে ফোরেষ্ট দিভিজনগা খুৎশমদুনা লোংমাই পার্ট থ্রিগী বেপতিস চর্চ কম্ম্যুনিতি হোলদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ৱাইল্ড লাইফ ত্রষ্ট ওফ ইন্দিয়াগী এসিষ্টেটেন্ট মেনেজর অমদি ওফিসার ইন-চার্জ-মোনেস সিংহ তোমরনা হায়-মালেমদগী মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরবা চাইনিজ পেঙ্গোলিন য়াওনা তোঙান তোঙানবা অতাংবা শা মখল কয়া মনিপুরদা ফংলি। মনিপুরি লোলদা শাফু নৎত্রগা মফৌ হায়রগসু খঙনবা শা মখল অসি মালেমদা আইনগী ৱাংমদা খ্বাইদগী লল্লোনবা শা মখল অমনি। উমংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা তিল কাংশিংগী খল ঙাক্তুনা থম্বদা শা মখল অসিনা মরুওইবা থোদাং লৌদুনা লাক্লি হায়নসু শ্রী মোনেস সিংহ তোমরনা মখা তাখি।

**সট দাউন (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংনা হৌজিক চঙ্খরিবা টোতেল সটদাউন্না মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা পীখ্রে।

টোটেল সটদাউন অসিনা জিলা অমগা জিলা অমগগী মরক্তা চেনবা পেসেঞ্জর পুবা গাড়িশিং হান্নগুবা চেনখিদে। লনাই গাড়িশিং চেনবগী চাং হন্থখি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা মরুওইবা কৈথেলশিং মহৌশাগুম হাংনখিদে। তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু সটদাউন অসিনা চাউনা চৈথেং পীদুনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা পীখি। মরুওইবা কৈথেলশিং কান্নখিদে। মসিগীসু মথক্তা স্কুল, কলেজ অমদি সরকারগী লোইশঙশিংদা কর্ম্মচারিশিং থবক কাবগী চাং হন্থখি।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা অমসুং দোন্নর মন্ত্রি-জ্যোতি রিদিত্যা সিন্ধিয়াগা পুন্না সভাপতি ওইদুনা অৱাং নোংপোক লমদমদা শান্ন খোৎনবগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক অনিশুবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা ঙসি

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা পাঙথোকখ্রে।

অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা শান্ন খোৎনবগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপা, মতম চানা পোষ্টিং পীবা, মতিং লৈবা শান্নরোইশিং মশক খঙদোকপা, তোইনা অথোই অহেন তান্নবা, নীংথিনা শেল থাদবা অমদি তোঙান তোঙানবা হীরম কয়া মীফম অদুদা খন্নখি।

**ডে (এল)ঃ** ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র ইম্ফাল ইষ্টনা শিনদুনা নেসনেল ৱিমেন ফারমর ডে ২০২৫, অন্দ্রোদা পাঙথোকখ্রে। ইমপৱারিং ৱিমেন এনরিচিং এগ্রীকলচর হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা নুপী লৌমীশিং শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্রগী ওফিসিএলশিংনা লৌউ শিংউবগী লমদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়নননা পুকিং থৌগৎখি। মখা তানসু লৌউ শিংউগা লৈনবা থবকশিংদা মাংজিল থানা থবক তৌদুনা মতমগা চান্নবা লৌউ শিংউগী খুৎশু খুৎলায়শিং শিজিন্নদুনা মায় পাকপা নুপী লৌমী ওইনবগীদমক শরুক য়াখিবশিং অদু আপিল তৌখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা কে.ভি.কে. ইম্ফাল ইষ্টকী সেনিয়ার সাইন্টিষ্ট অমদি হেদ-ডা:ৱাই. প্রভাপতিনা হায়-নুপীশিংনা লৌউ শিংউগী লমদা লৌরিবা থৌদাংশিং অসিবু মশক খঙবীদুনা মখোয়বু পুকিং থৌগৎনবগী ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

**সার্টিফিকেট (এল)ঃ** সাইন ইন ইম্ফালনা লিংজেল ফাউন্দেসন মনিপুরগা খুৎশমদুনা চথরকপা ত্রেন্নিং প্রোগ্রামদা মায় পাক্লবা মীওই ১১০ দা সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখ্রে।

এম.এস.এম.ই. মন্ত্রালয়গী খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজগী মীৎয়েং মখাদা চেগী প্লেট শাবা, দোনা শাবা অমদি পাইপকী থবক শুবা, শাউন খোঙউপ শাবা

য়াওনা তোঙান তোঙানবা শিনফমশিংগী মতাংদা ত্রেন্নিং পীদুনা লাকখিবনি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ত্রেন্নিং কো-ওর্দিনেট-সনায়াইমানা হায়-রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মীওই কয়ানা শুফম নোস্ফম খঙদনা লৈরিবা অসি খরদং ওইরবসু কোকহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা শিনফমশিং তাকপীনবা থা অমগী ওইবা ত্রেন্নিং অসি চত্থরকপনি। গ্রমোদয়োগ বিকাশ য়োজনাগী মখাদা স্কিল দিবলপমেন্ট প্রোগ্রাম ওইনা পায়খৎপা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

**বিষ্ণুপর (এল) ঃ** রাস্ত্রিয়া সোইয়ম সেভক সঙ্ঘ (আর.এস.এস) কী চহি ১০০ শুরকপা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা সেবা বিভাগ, আর.এস.এস, সেবা ভারত্তি মনিপ্রনা নেসনেল মেদিকোজ ওর্গনাইজেসন-মনিপুর ব্রান্সকা খুৎশম রগা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ইম্ফালগী রিমসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। পুন্না মীওই ১০০ রোমনা ঈ দান তৌখি হায়রি।

**মৈ (এল) ঃ** থাংমৈবন্দ মৈস্নাম লৈকাইদা লৈবা মিলো রেস্টুরেন্টকী চাকখুমদা লৈবা এল.পি.জি. সিলিন্দর লিক ওইরকপদগী মৈ হৌরক্তুনা রেস্টুরেন্ট অসিগী শরুক খরা মৈ চাকখ্রে।

থৌদোক অদু ঙসি নুংথিল পুং মরি মখায়রোম তাবা অদুৱাইদা থোকখিবনি। থৌদোক থোকফম অদুদা এল.পি.জি. সিলিন্দর খরসু লৈবনা মরম ওইরগা কা হেন্না অমাং অতা থোক্লমগদবদগী মনিপুর ফয়ার সার্ভিসকী কাংবু অমনা খোঙলৈ থুনা মফম অদুদা চংশিনদুনা মৈ অদু কনখি।

**হিদাক (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা দেঙ্গি লায়না শন্দোরকপা অসিদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা কোংবা মখা

চোঙ্ঙাবী বজারদা লৈবা চোঙ্ঙোবী দিবলপমেন্ট এন্দ রিলিফ ওর্গনাইজেসননা উচেক্কোন নোংচুপ গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্ড নম্বর টুগী মীহুৎশিংগা খুৎশমদুনা ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিংদা কাং হিদাক কাপথোকখ্রে।

**রাজনাথঃ** এক্স-সার্ভিসমেন ৱেলফিয়ার স্কিমগী মখাদা থবক্তগী পোত্থরবা এক্স সার্ভিসমেন অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংশিংদা পীবা শেন্থুং চাদা ১০০ হেনগৎহনবদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা অয়াবা পীখ্রে। মখোয়দা থা খুদিংগী পীবা লুপা লিশিং মরিগী গ্রান্টকী শেনফম লিশিং ৮ হেনগৎহল্লে। মসিনা মরম ওইদুনা চহি য়াম্লবা এক্স সার্ভিসমেনশিং অমদি চহি ৬৫ মথক্কী লুখ্রাবীশিংদা থোইদোকা কান্নবা পীরগনি। মসিগী মথক্তা লাইরিক লাইশু তমবগীদমক পীবা গ্রান্টকী শেনফম লুপা লিশিং অমদগী লুপা লিশিং অনিদা হেনগৎলে। লুহোংবগী পীবা গ্রান্টকী শেনফম হান্না পীরম্বা লুপা লিশিং ৫০ দগী লুপা লাখ অমদা হেনগৎলে।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমদা হায়-থৌরাং অসি মথং থাগী অমদগী চৎনবা হৌরগনি।

**মাওইষ্ট ঃ** ছাতিসগরগী সুকমা জিলাদা মাওইষ্ট ২৭ খুৎলায় থাদোক্তুনা সরকারদা চংজখ্রে। চংজরক্লবা মাওইষ্টশিংগী মনুংদা নুপী কাডর ১০ য়াওরি।

মাওইষ্ট ২৭ অদুগী মনুংদা ১৬ অমদি মখোয়গী মরি-মখোঙ তাকপা ঙম্বদা লুপা লাখ ৫০ গী মনা লাউথোকখ্রবশিংনি। ঙসি চংজরক্লবা মাওইষ্টশিং অদুদা ছাতিসগর সরকারগী খুন্দা লৈতাহনবগী থৌশিলগী মখাদা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি অমসুং অতৈ খুদোংচাবা কয়াসু ফংহনগনি হায়রি।

**বিহারঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগী মাংওইননা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) না দল অসিগী মীরেপ ওইগদবা মীওই ৫৭ কী মিং লাউথোককখ্রে।

দল অসিনা হৌজিক হৌজিক এম.এল.এ. ওইরিবশিং অমসুং মন্ত্রি ওইরিবশিংদা মীখল অসি থেংননবগীদমক টিকেত পীখ্রে। হৌজিক হৌজিক মন্ত্রি ওইরিবা কয়া মীখল অসি অমুক হন্না থেংননবগী খুদোংচাবা অমা দল অসিনা পীরে। মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমার, রুরেল দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-শ্রাবন কুমার মীখল অসিদা তোঙান তোঙানবা বিধান সভা কেন্দ্রশিংদা মীরেপ ওইদুনা অমুক হন্না কানবা হোৎনগদৌরি। দলগী মকোক থোংবা লুচিংবা ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি- বিজয় কুমার চৌধরি, সরাই রঞ্জন বিধান সভা কেন্দ্রদা মীখল থেংনগদৌরি। মীখল অসিগীদমক ভারত্তিয়া জনতা পার্টিনা মখোয়গী মীরেপ ওইগদবশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

**কলাম ঃ** জাতি অসিনা ঙসি লৈবাক অসিগী হান্নগী রাষ্ট্রপতি ডাঃ এ.পি.জে. অবদুল কলামগী মপোক নুমিৎনা লাকপদা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়-ডা: কলাম অসি মীৎয়েং শানবা বৈগ্যানিক ওইবতা নত্তনা তুংগী মীরোলদা শাফু কয়া পীবা ঙন্বা লুচিংবা অমনি। মহাক মরৈবাক নীংবা মীওই অমসুনি। মহাকা মহৈরোইশিংগা লোয়নদুনা ৱারী-ৱাতাই কয়া শান্নখিবা কয়া অসিনা মীরোল কয়ানা মহাকপু অদুম্মক নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- ডাঃ এ.পি.জে. অবদুল কলমনা হিংলৈঙৈ মতমদা নহাশিংদা থৌনা হাপ্পা ঙমখি। মহাকা লৈবাক অসিবু মরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনরবশিংবু প্রধান মন্ত্রিনা নৌহৌননা নিংশিংখি।

মণিপুর রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানসু ডাঃ এ.পি.জি. অবদুল কলামগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা মীৎয়েং শানবা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুম বা উৎলি।

**সিইও ঃ** প্রসার ভারতিনা অকাশবানি অমদি দুরদর্সনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্নবা, ব্রোদকাষ্টিং ইনফ্রাষ্ট্রকচর এন্দ নেটৱার্ক দিভলপমেন্টকী মখাদা থবক পায়খৎলগনি।

ৱাফম অসি প্রসার ভারতিগী সি.ই.ও গৌরব দ্বিবেদিনা অকাশবানি কোলকাতাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- ইনফোর্মেসন এন্দ ইন্তরটেনমেন্টকী লমদা প্রসার ভারতিনা ৱেভস ও.টি.টি হাংদোক্লে। মসিগা মান্নবা খোঙাং কয়া অমসু পায়খৎলগনি।

**রাজস্থান ঃ** রাজস্থানগী জৈসলমারদা ঙরাং থোকখিবা লন্মীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা এ.সি. স্লিপ্পর বস অমা মৈ চাক্লকপদগী মীওই ২১ শিরে। কয়া অমনা অশোক অপন নংলে। থৌদোক অদু ঙরাং নুংথিল পুং ৩ মখায় অদুৱাইদা জৈসলমার-জোধপুর হাইৱেদা থোকখিবনি। অহানবগী ওইনা ফংবা পাউদা মীওই ১৯ বস মনুংদা মৈনা চাক্তুনা শিখি, ১ না লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি। বস অদু সোর্ট সার্কিটতগী মৈ হৌরকপা ওইরম্বা য়াই হায়রি। থৌদোক থোকপা মতমদা বস অদুদা মীওই ৫০ তোংখি হায়রি। চাদা ৭০ রোম মৈনা চাক্লবা পেসেঞ্জর ১৫ হোস্পিতালদা লায়কন্নরি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমনা থৌদোক অদুবু নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনসু থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংদা নুংঙাইতবা ফোংদোকপগা লোয়নননা শোক্লবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফগৎপা ওইরসনু হায়রি। কেন্দ্র সরকারনা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা ক্ষেতিপুরন ওইনা লুপা লাখ ২-২, শোক্লবশিংদা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

**ফুটবোলঃ** মনিপুরনা, ২৪ রক শুবা ওইনা সেনিয়ার ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী মপু ওইরে।

ঙসি শান্নখিবা ৩০ শুবা সেনিয়ার ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল

চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজমাতা জিজাভাই ট্রোফিগী ফাইনেল মেটচতা মনিপুরনা ব্লেষ্ট বেঙ্গোলবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

ছাতিসগরগী নরায়নপুরদা লৈবা রাম কৃষ্ণন মীসন আশ্রম গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মনিপুরনা মায় পাকপগী ঙায়রবা পাঞ্জল অদু লিন্দা সরতোকোমনা এক্সত্রা টাইমগী মতম মেটচকী মিনিট ৯৩ চৎপা মতমদা চনখিবনি।

**পুলিসঃ** ওল ইন্দিয়া পুলিস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্ডকী মীৎয়েং মখাদা জম্মু অমসুং কাশ্মির পুলিসনা শিন্দুনা শ্রীনগরদা চথরিবা তরাশুবা ওল ইন্দিয়া পুলিস জ্দো কলস্তর চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা মনিপুর পুলিস টিম শেঞ্জেংগী তকমান অনি ফংবা ঙমখ্রে। হৌখিবা ওক্তোবর তাং ৮ দগী হয়েং ফাওবা চথগদৌরিবা চেম্পিয়নসিপ অসিদা মনিপুর পুলিসকী আর.কে. ধনজিৎ, ঐচ.বোবো অমদি টি.ঐচ. সঞ্জিৎ কুমারনা চহি ৬০ মখাগী টিম পোমসে ইভেন্টতা শেঞ্জেংগী তকমান ফংখিবনি। এ. বিজেননা নুপাগী তাইকুন্দো মশান্নগী কে.জি. ৬৩ কাংলুপ্তা শেঞ্জেংগী তকমান ফংখিবনি।